লৈবাক নীংবা ঈশৈ ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): ইরাবত নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা এমসুনা লৈবাক নীংবা ঈশৈ অমা ফোঙখ্রে। 'ঈগী হৌরকফম' হায়না শৈহৌবা মিরাজ শাহকোরিনা ইবা রিসান ৰাই টি ভিনা শকপা অমদি মখোয় অনীনা কম্পোজ তৌবা লোয়ননা রিসি শর্ম্মনা ম্যুজিক পীবা ঈশৈ অসি এমসুগী প্রসিদেন্ট পিটর লাইশ্রম, মপি কাউন্সলগী প্রসিদেন্ট এন বিমোল অমদি ইচলগী প্রসিদেন্ট টি প্রেমিতানা শরুক য়াদুনা লৈবাক নীংবা ঈশৈ অদু ফোঙখি হায়রি।

লম-তু শেংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): জন নেতা হিজম ইরাবতকী ১২৪শুবা মপোক নুমিৎপু নীংশিংবা ওইনা ৱাইশেল্লাকপা ইদুনিংথৌ লমজিং লূপ (দব্লিয়ু আই এল এল), কোঙেং লৈকায়, মোংশাংগেগী অকোয়বদা লূ-নান্না থম্বগী পান্দমদাদ দব্লিয়ু আই এল এলগী থৌমীশিংনা শরুক য়াদুনা লম-তু শেংবা অমদি লময়ানবা ইরাবতকী ফোটোদা মৈরা অমসুং লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে হায়না দব্লিয়ু আই এল এলগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

মপোক কুমওন

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৫: তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লুবগুম খাঙবোক্তসু পন্দিট দিন দয়াল উপাদ্যাগী ১০৪ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি খাঙবোম মৈস্নাম লৈকাইদা লৈবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট কাউন্সিলর মেম্বর ডা. কে ঐচ অকোইসনাগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কিষান মোর্চা বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ফোর্মর প্রসিদেন্ট কে ঐচ মোমোন, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট কাউন্সিলর মেম্বর ডা. কে ঐচ অকোইসনা, লৈকাইগী অহল ইবুংঙো কে ঐচ কোন্দুম অমসুং এম সুভোলনা অথোইবা মীথুংশিং ওইখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা অথোইবা মীথুংশিং অমদি মীয়াম্না পন্দিট দিন দয়াল উপাদ্যায়গী ফোটোদা লৈ কল্তুনা ইকাই খুম্নবা উৎলবা মতুং ডা. কে ঐচ অকোইসনানা পন্দিট দিন দয়াল উপাদ্যাগী পুন্সি ৱারী অমদি ফিলোজোফিগী মতাংদা ৱা ঙাঙলদুনা ভারতিয়া জন সঙ্ঘ (বি জে এস) শেমদুনা মীয়ামগী থবক তৌরকখিবশিংবু শীংথানখি।

GAS NEWS

TANGLEI GAS OINAM
Booking upto : 05/08/2020
Valid from : 04/08/2020
Stock : 306
Time : 7.00am to 10.00am
19kg Stock Available

TDK GAS
Booking upto : 13/08/2020
Valid from : 09/08/2020
Home delivery only
Contact Nos. : 6909614353/ 8731992324

MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO: 05/08/2020
VALID FROM: 04/08/2020
STOCK : 306
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2.AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3.ROJEN--8787381746 (KUMBI A/C).BOOKING vv
CONTACT NO. 7085972248.
TIMING : 8.00AM TO 12.00NOON

MANIPUR GAS SERVICE
Booking upto : 13/08/2020
Valid from : 13/07/2020
Home Delivery Only....
Contact No: 8730954041, 8259969582
Office Timing: 7.30 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

HRANGCHAL GAS AGENCY
BOOKING UPTO : 28/07/2020
VALID FROM : 27/07/2020
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00AM to 12:00PM
(HOME DELIVERY ONLY)

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING : 7:00AM TO 12:00NOON
BOOKING UPTO : 21/07/2020
VALID FROM : 13/07/2020
FOR ALL THANGMEIBAND, LAMPHEL : 8131852580, 9774722106, 9089370369
WAHENGBAM LEIKAI, KEISHAMPAT, KEISHAMTHONG, KHAGEMPALLI, KWAKEITHEL, GHARI, SANGAIPROU, CHANGANGEI, MALOM : 7630902992
YAISKUL, SINGJAMEI, KAKWA, HEIRANGOITHONG, HAOBAM MARAK, PISHUM, MONGSANGEI, LANGTHABAL : 6009689299
SAGOLBAND, TAOBUNGKHOK, PATSOI, YUREMBAM, SAGOLTONGBA, LANGJING, SALAM : 7627968997
LANGOL : 7085977502
URIPOK, SINGDA, LAMDENG, AKHAM, MAYANG LANGJING : 7085198900/8131942156
FOR IMPHAL EAST AREA : 7005281388, 6009885600
FOR OTHERS AREA 9612009063, 9862792731, 7628094160
DELIVERY WITHIN 3 DAYS

তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ইরাবত দেগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ইরাবত দেগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগা মরী লৈননা মীয়াম্না লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখ্রে।

জননেতা হিজম ইরাবত বার্থদে সেলেব্রেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা জননেতা ইরাবতকী চহী অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদবা ১২৫শুবা মপোক কুমওন থৌরম এম দি য়ু হোল, ইম্ফালদা পাঙথোকপা থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা এম দি য়ুগী প্রসিদেন্ট সোরাইশম কেশোরামনা মৈরা চুখৎতুনা হৌনবী মতুংইন্না হৌদোকখ্রে হায়না জননেতা হিজম ইরাবত বার্থদে সেলেব্রেসন কম্মিটিগী কনভিনর থীয়াম বিমোলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌদোকপগী থৌরমগী কি নোট এদ্রেস পীরদুনা জননেতা হিজম ইরাবত বার্থদে সেলেব্রেসন কম্মিটিগী চ্যেরমেন সরত সলামনা হায়খি, জননেতা ইরাবতকী ১২৫শুবা মপোক নুমীৎ মথং চহীগী সেপ্টেম্বর ৩০দা থোকপা মরম্না ঙসিগী থৌরম অসিদগী হৌরগা চহী অমা চুপ্পা জননেতা ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরম মণিপুরগী মনুং অমদি মপান্দা কম্মিটি অসিনা শীন্দুনা পাঙথোক্কনি। চহীসিগী মনুংদা কলা সংস্কৃতি, সাহিত্য, শান্ন-খোৎনবা, সোসল এক্টিভিষ্ট অমদি ঈ-পাউজী থবক তৌবশিংদগী খনগৎলবা মীশকশিংদা কম্মিটিনা মনা-মথুম অমসুং শকখঙ চেশিং পীগনি।

থৌরম অদুদা সী পি আই (এম) মণিপুরগী ক্ষেত্রিময়ুম সান্তনা ৰারোইশিন পীরদুনা ফোঙদোকখিবদা, চহী চুপ্পা জননেতা ইরাবতকী পুন্সি অমসুং থবক্কী অমদি মহাক্লা পামজরম্বশিংগী মরমদা লাইরিক ফোঙবা অমদি মণিপুরগী মীয়ামদা মরুওইনা নহারোলশিংদা খঙহনবগী থবক থৌরমশিং পায়খৎকনি। জননেতা ইরাবতকী চহী অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদবা কুমওন থৌরম অসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু আপিল তৌখি।

থৌরম অদুদা সর্বোদোয় লুচিংবা টি দি ঙাঙ্গোম্বা, ফোরৱার্দ ব্লোক্কী সেক্রেটরি খোমদ্রাম গ্যানেশ্বর, আর এস পিগী সেক্রেটরি নিংথৌজম রতন, মণিপুর লৌমী মরুপকী ভাইস প্রসিদেন্ট নোংমাইথেম থোইবা, এম দি য়ুগী জেনরেল সেক্রেটরি টি পুয়োবর্তা, সনালৈবাক নাচোম আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওইনাম প্রখুল্লা, শক্লাইরবা জর্নেলিষ্ট নেপ্রম কৃষ্ণমোহোন, মণিপুর লাইব্রেরী এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কাংজম চাওবা লোয়ননা এম দি য়ুগী আর্টিষ্টশিং অমদি শক্লাইরবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ককচীং কৈথেলদা লৈবা ইরাবত পার্কতা জন নেতা ইরাবত নীংশিং লূপ, ককচীংনা শীন্দুনা লময়ানবা ইরাবতকী মপোক নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্তুনা লময়ানবা ইরাবতকী মীতমদা হে-লৈ কৎপা অমদি ককচীংগী এম এল এ ওইরম্বা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ফোটোদসু লৈ কৎতুনা ইকায়খুম্নবসু উৎখি হায়রি।

ককচীং খুন্নাই চাওখৎহনবা লূপ, ককচীংনসু লময়ানবা ইরাবতকী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা ককচীংগী মফম কয়াদা উ-চারাশিং থাখি। থৌরম অদুদা ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপর্সন এন শান্তিকুমার অমসুং ককচীং ফোরেষ্ট দিভিজনগী আর ও নাওরেম মুনালনচিংবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

সিটিজন্স এসোসিএসন ফোর রুরল দিভলপমেন্ট (সী এ আর দি) ৰাবগাইনা লময়ানবা হিজম ইরাবত মপোক নুমিৎ নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা লেংশিনখিবশিংদি এম জয়েন্তকুমার ওনরেবেল জিলা পরিষদ ৰাবগাই, ঐচ কিশ্বরজিৎ প্রসিদেন্ট, সী এ আর দি, ৰাবগাই, ৰা হেমচন্দ্র ওনরেবেল ৰাবগাই, খোগেন্দ্র খোন্দ্রাম প্রসিদেন্ট এদিটরস গিল্ড, ৰাই রুপচন্দ্র চীফ এদিটর ইম্পেক্ট টি ভি নেটৱর্ক অমসুং রিছোর্স পর্সন ওইনা ডা. হোমেন থাংজম এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর পোলিটিকেল সাইন্স আই জি এন টি য়ুনা মথংশিংনা ৰা ঙাঙখি।

ডা. হোমেন থাংজমনা 'ঙসিগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিং অমসুং ইরাবত' হায়বা হীরম অসিদা মরীক চুম্না ইরাবতনা পাল্লম্বা হীরম খুদিংমক মতৌ করম্না থবক ওইনা পাঙথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা নহাশিংদা থমখি।

য়ুথ ভোলুন্টিয়রস এসোসিএসন (ৰাই ভি এ) পল্লেলনসু শীন্দুনা জন নেতা হিজম ইরাবতকী ১২৪শুবা মপোক নুমিৎ থৌরম ঙসি ক্লব অসিগী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী স্পেসল ইনভাইতি নাওরেম নবচন্দ্রনা অথোইবা মীথুং, ৰাই ভি এ পল্লেলগী প্রসিদেন্ট হাওরোংবম রোমেননা থৌরম মপু, মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট নোংমাইথেম বিধুনা অখন্নবা মীথুং ওইখি।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবশিংনা লময়ানবা ইরাবতকী ফোটোদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। পল্লেলগী য়ুমথোঙ খুদিংদা অথুম অহাওসু য়েন্থোকখি। নুমিদাংদনা মৈরা থানখি হায়রি। ৰাই ভি এ পল্লেলনা মীয়ামগীদমক্তা পাঙথোক্লিবা থবক থৌরম কয়াদা মতেং ওইনবা নাওরেম নবচন্দ্রনা লুপা ২০,০০০ মতেং পাংলমখি।

সোসল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (এস দি ও) পল্লেলনসু লময়ানবা ইরাবতকী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা লম-তু শেংদোকখি। থৌরম অদুদসু নাওরেম নবচন্দ্রনা লুপা ৫০০০ মতেং পাংলমখি।

অমরোমদা পল্লেল কৈথেল অমসুং অকোয়বদা লৈবা মীয়াম্নসু ঙসি লময়ানবা ইরাবতকী মপোক নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা লম-তু শেংদোকপগা লোয়ননা উ চারা থাখ্রে হায়রি।

বি জে পি খাঙবোক মন্দলনা শীন্দুনা জন নেতা হিজম ইরাবতকী ১২৪শুবা মপোক নুমিৎ থৌরম ঙসি খাঙবোক্তা লৈবা সোরোজিনি ওইল পম্পতসু পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ফোর্মর ভাইস প্রসিদেন্ট থোকচোম জাদুমনি অমদি বি জে পি খাঙবোক মন্দলগী প্রসিদেন্ট এল তোম্বা খুমননা লুচিংদুনা অমদি শরুক য়াখিবশিংদা জন নেতাগী ফোটোদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

কেক্রু য়াইহৈরি ক্লব য়াইরিপোক (কে ৰাই সী ৰাই) নসু লময়ানবা ইরাবতকী ১২৪শুবা মপোক নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা ক্লব অসিনা কোনবা মফমশিং অমদি প্লেগ্রাউন্দগী অকোয়বদা লম-তু শেংদোকখ্রে অমদি নুমিদাংগী মতমদা মীয়াম্না মৈরা কৎখি।

নাকল অমরোমদা অমুকোনা স্পোন্সর তৌদুনা সোসল কলচরেল এদ্যুকেসনল এন্দ স্পোর্ট দিভলপমেন্ট হৈরোক অমদি ওল থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন অনীনা পূন্না হৈরোক খঙারোক চীঙ্গোলদা লৈবা হৈরোক সেনটোরিয়ম সেভা আশ্রমদা উ চারা কয়ামরুম থাখ্রে।

ঙসিগী মপূং ওইবা থৌরম ওইনা এস সী ঈ এ এস দি ও ক্লবকী ওফিসতা ইরাবতকী ষ্টেটসতা ক্লব অনী অসিগী ভোলুন্টিয়রগা লোয়ননা লৈশাংথেম রাজেন ভাইস প্রসিদেন্ট এ টি দি য়ু সী ও থৌবাল অমদি মোইরাংথেম তৌরাং চীফ এদভাইজরি, এস সী ঈ এ এস দি ও, কে ঐচ নন্দবির ভাইস প্রসিদেন্ট এস সী ঈ এ এস দি ও হৈরোক্লা হৌদোক্তুনা লৈশু কৎলবা মতুং মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা মাঙথরক্লবা ইনভাইরোনমেন্ট অসিবু খরদংদা ওইরবসু কন্নবগী পান্দমদা সনাটোরিয়ম সেভা আশ্রমদা উ চারাশিং অদু থাখিবনি।

লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৪শুবা মপোক কুমওন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা য়ুনাইটেদ স্পোর্টস এন্দ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন, হাশওখা মমাঙ লৈকায়না শীন্দুনা ঙসি নোংমগী ওইবা ফুটবোল ফ্রেন্দলি মেচ অমা পাঙথোকখ্রে।

সোসল ৱর্কর লাইশ্রম দোমেননা স্পোন্সর তৌদুনা য়ু এস দি এ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ফুটবোল মেচ অদু লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ফোটোদা লৈ-শু কৎলগা হৌদোকখি। মেচ অদু য়াইরিপোক এফ সী য়াইরিপোক অমদি য়ু এস দি এ হাওখা মমাঙ অনীগী মরক্তা শান্নখি।

অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা লাইশ্রম দোমেননা হায়, শক্লোন য়াম্বা লময়ানবনা পামজরম্বশিং অদু খরতা ওইরবসু পাঙথোকপা ঙমজবা ওইজগে হায়বা ৱাখল্লোন্দা ফুটবোল মেচ অসি শীঞ্জবনি হায়খি।

ৰাই দি এস ও থৌবাল ৰাংমতাবা মথক লৈকায়নসু মীয়ামগা পূন্না শীন্দুনা ইরাবতকী ফোটোদা লৈ কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে। নোংপোক নিংথৌ য়ুথ এসোসিএসন য়াইরিপোক টোপ চিংথানসু শীন্দুনা এন এন ৰাই এগী ওফিসতা লময়ানাবা হিজম ইরাবতকী ফোটোদা লৈশু কৎখ্রে।

মণিপুর লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম ত্রিপুরাগী নালগিরিয়াদা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী চহী ১২৪শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম ত্রিপুরাগী ভাইস প্রসিদেন্ট থোঙ্গাতাবম গৌরকিশোর শর্ম্মা, তখেল লৈমা তেংবাঙ লূপকী খুন্দ্রাকপম প্রজাপতি, খুন্নাইগী শক্লাইরবা লাইপুবম রঞ্জন শর্ম্মা অমদি মণিপুর লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম ত্রিপুরাগী সেক্রেটরি খোইস্নাম মঙ্গোলনা মথংশিংনা থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা মীয়াম্না লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মীতমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎপা, হৌরক্লিবা অঙাংশিংদা লময়ানবা হিজম ইরাবতপু মশক খঙহন্নবগী পান্দমদা ক্লাস ৱান্দগী আইট ফাওবগী মহৈরোয়শিংগী ওইবা লময়ানবা ইরাবতকী ফোটো য়েকপা চাংদম্নবা অমদি অঙাংশিংগী ওইবা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মরমদা ঈবা ৱারেং, শৈরেং কয়া পাঙথোকপনা মপূং ওইবা থৌরমশিং পাঙথোকখি হায়রি।

মণিপুরী খুন্নাইনা নৌনা মীকপ থোক্তুনা পুৱারীগী অনৌবা খোঙচৎ অমা শেল্লকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা, ময়োন য়াম্বা খুন্নাই অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরম্বা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী নীংশিং থাবুমনা লাকপদা কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) অমসুং ময়াংলাংজিং য়ুথস লাইব্রেরী ক্লব (এম এল ৰাই এল সী) অনী পুন্না খুৎশম্নদুনা "ইরাবত দে সেলেব্রেসন কম কোভিদ-১৯ এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম" হায়বা থৌরম অমা ঙসি নুংথিল ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা ময়াংলাংজিং তমাংদা লৈবা ময়াংলাংজিং য়ুথস লাইব্রেরী ক্লবকী গ্রাউন্দদা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, লাইফ সেবর্ভর্স মণিপুর, এদভোকেট লৈশাংথেম রোসমনি মেমোরিএল ট্রষ্ট, লাইওন্স ক্লব ওফ গ্রেটর ইম্ফাল, এস এ ভি আই মণিপুর, হেনিদকেপ ফাউন্দেসন, মণিপুর ষ্টেট ব্লদ সেল, নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুর অমদি শিজ ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ত্রান্সফ্যুজন সর্ভিসেস লাঙ্গোলগা পুন্না খুৎশম্নদুনা লময়ানবা হিজম ইরাবত নীংশিং নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন পাঙথোকখ্রে। ঈ কৎপগী থৌরম অদুদা নহা ওইরিবা ভলন্টরি ব্লদ দোনর কয়ানা শরুক য়াখি হায়না লাইফ সেভর্স মণিপুরগী মেনেজিং দিরেক্টর কে পদ্মকুমার শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মোইরাং কৈথেল রোষ্টর নাইনা হাংলগনি : কম্মিটি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মী য়াম্না তিনবা মফমশিং মরু ওইনা মোইরাং কৈথেল অমসুং মোইরাং লমখাইদা পোৎ চৈ, এঞ্জাং-নাপি য়োল্লিবা অমদি দুকানশিং ওল মণিপুর কোভিদ-১৯ ভোলুন্টিয়র কম্মিটিনা কৈথেলশিং অসিদা পোৎ চৈ লৈবা লাক্লিবা অমদি পোৎ চৈ য়োল্লিবশিংনা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লক্তবদগী মোইরাং কৈথেল অমসুং মোইরাং লমখাইদা ঙসিদগী থিংখিবা অদু হয়েংদগী রোষ্টর সিষ্টমদা হাংলগনি হায়দুনা ঙসি মোইরাং কংলাদা পাঙথোকপা পাউজী মীফম অমদা ওল মণিপুর কোভিদ-১৯ ভোলুন্টরি কম্মিটিগী কো কনভেনর ঐচ সোমিকান্তনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা মখা তারদুনা, মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মনুংদা লৈরিবা মী য়াম্না তিনবা মফমশিংদা পোৎ চৈ য়োল্লিবা দুকানশিং, পোৎফম ফন্নিবশিং অমদি পোৎ চৈ লৈবা লাক্লিবশিংনা এস ও পি অমদি চৎন-কাঙলোন ঙাক্তনা মীনা কৃক-কৃক ইন্নদুনা পোৎচৈশিং লৈবা য়োনবা তৌরকপদগী কৈথেলশিং থিংজিনখিবনি। অদুবু ঙসি মোইরাং কৈথেল অমসুং মোইরাং লমখায়গী দুকান ফন্নিবশিং, পোৎফম ফন্নিবশিং, এস দি পি ও, ও সী মোইরাং পুলিস অমসুং এম এল এ মোইরাং এ সী য়াওনা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মোইরাং কৈথেল অমসুং মোইরাং লমখাইগী দুকান ফন্নিবশিং অসিগী কম্মিটিশিং শেমদুনা দুকান ওইনা লৈরিবশিং অসিগী দুকান হাংবা মতমদা মখোয়না থৌদাং পুদুনা হয়েংদগী দুকান ওইনা লৈরিবশিং মখল খুদিংমক্কী দুকানশিং হাংবা হায়দুনা য়ানখিবনি। লোয়ননা মোইরাং কৈথেল অমসুং খোয়োল কৈথেলদা পোৎফম ওইনা ফমদুনা পোৎ চৈশিং য়োল্লিবশিংগীদক্তদি রোষ্টর সিষ্টমদা পোৎফমশিং ফম্বা হায়দুনা লেপ্পখি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি মণিপুরনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী অকনবা লানফম মরক্তা জননেতা ইরাবত নীংশিং থৌরম পাঙথোকপীখিবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি হায়না ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি মণিপুরগী সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা কুমজা ১৯৫৯ দগী চহী খুদিংগী সেপ্টেম্বর থাবুম অমা চুপ্পা ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি, মণিপুরনা জননেতা ইরাবত নীংশিং থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা লাকপদগী লময়ানবা অসিগী নৌরিঙৈ পুন্সিগা থাদোক্লবা য়াদ্রবা বরাক তম্পাক, ত্রিপুরা অমসুং আসামগী মণিপুরীশিংনা নম্না তাবা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদসু য়াম্না চিং লেম্না থৌরমশিং পাঙথোক্লরকখি। মসিদসু নত্তনা মণিপুরী মহৈরোয়শিংনা মশিং য়াম্না লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা এদ্যুকেসন ইনষ্টিট্যুসন কয়াদসু মীয়ামগী অমত্তা ঙাইরবা লুচিংপুরেল অসিগী মফমদা ঈকায়খুম্নবা উৎপা থৌরমশিং পাঙথোক্লদুনা লাকখি।

কোভিদ-১৯গী অকনবা লানফম মনুং ওইবনা ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি মণিপুরনা মহৌশাগা মান্নদনা মার্চ পাস কম্পিটিসন, ঈশৈ চাংদম্নবা অমসুং লাই য়েকপা তান্নবনচিংবা য়াওদনা অচম্বা থৌরম অমা ওইনা কোনুং লম্পাক্কী ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা মীয়ামগীদমক কথোক্লবা থোইদোক হেন্দোক্লবা মশক নাইবা মীওইশিং খনগৎতুনা এৱার্দশিং য়েন্থোকপগী থৌরম ওইনা পাঙথোক্লবসু ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন কয়ানা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা লময়ানবা অসিগী নীংশিং থৌরমশিং পাক শন্না পাঙথোকপীবগীদমক ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি মণিপুরনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মীওই অনী লৈখিদ্রে, এক্টিভ কেস...

লামায় ১গী মখা... তমেংলোংদগী ১২, চান্দেলদগী ১০ অমসুং জিরিবামদগী ৫নি। তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী হল্লকপা চুড়াচান্দপুরদগী ১, থৌবালদগী ৩, সেনাপতিদগী ২ অমসুং ইম্ফাল ইষ্টতগী ১ পুন্না মীওই ৭ নত্তনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১৯৯দি মণিপুরগী মপান্দা চৎলুদবা ঙাক্তনি। পোজিটিভ ওইরবশিং অসি কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিদা থমখিবগা লোয়ননা কন্টেক্ট ট্রেসিংগী থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রে।

নৌনা পোজিটিভ ওইরবশিং অসি য়াওরগা মণিপুরগী অপূনবা পোজিটিভ কেস ১০,৯৮৩ শুরে। পোজিটিভ কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৮৬৮৪ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২২৯৯নি। লায়না-লাইচৎ অসি নারম্বদগী ফগৎলকপা কেস মশিংনা ৮৪৬০ য়ৌরে। ফগৎলকখ্রবশিং অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৬৭০৫ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ১৭৫৫ য়াওরি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৭৭.০২ নি। অদুগা হৌজিক হৌজিক কেস ২৪৫৬না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ ওইরিবশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৯১৫ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৫৪১ নি।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১৭তা থোকখিবা ষ্টেটকী এস ও পি মতুংইন্না লায়ওং উৎতবা পোজিটিভ ওইবা মীওইশিং কোভিদ ক্যের সেন্টরদগী নুমীৎ ১০নিগী মতুংদা লায়ওং উৎলক্তবদি দিসচার্জ তৌগনি। দিসচার্জ তৌদ্রিঙৈদা অমুক হন্না টেষ্ট তৌররোই। অদুমকপু মীওই অদু য়ুমদা নুমীৎ ৭ নি মখা তানা সেল্ফ আইসোলেট তৌদুনা লৈগদবনি অমদি মশাগী হকশেলগী ফীভমসু মোনিটর তৌগদবনি। মসিগীদমক কোভিদ ক্যের সেন্টরগী মেদিকেল ওফিসর দিসচার্জ স্লিপ ইস্যু তৌগনি। প্রোটোকোল অসি মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী গাইদলাইন মতুংইন্ননি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী জিপসি ১...

লামায় ১গী মখা... পাখৎনদুনা চেন্থোক্লখি। মৈগী মৈশা অদুনা গাড়ীগী টেঙ্কি অদু পোকখায়রকপদগী মনাক অদুদা লৈবা য়ুম অমা মৈনা ৰাইগে তৌরকপদগী মীয়াম্না ঈশিং অমদি লৈঙোই চাইশিন্দুনা মুত্থৎখি। থৌদোক থোকফম অদুদা ইম্ফালগী ফায়র সর্ভিসকী কাঙবুসু লাক্তুনা মখা তানা মৈ চাক্তনবা কন্ট্রোল তৌখি। থৌদোক অদুদা অশোক অপনদি য়াওখিদে।

চীফ মিনিষ্টরনা ...

লামায় ১গী মখা... ইমাশিংগী মরক্তা চহী য়াম্লবা কয়া য়াওবনা কৈথেলশিং অসি হাংহন্নবগী চপ চাবা ৱারেপতি লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্ট অমদি মকোক থোংবা ওফিসলশিংগা তান্নরগা লৌগনি হায়রি।

তুংদা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা টিম অমনা গান্ধী এভেন্যু অমদি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা গান্ধী জয়েন্তিগা মরী লৈননা লূ-নালহন্নবগী পায়খৎলিবা থবকশিংসু য়েংশিনখি।

এ আরগী পর্সনেল ১ য়াওনা মীওই ৩...

লামায় ১গী মখা... টিম অমনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক কানি কেজি ৫গা কোন্ননা মীওই অনী শুগ্গু কৈথেলগী খোংনাং মখোঙ এরিয়াদগী ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়, হৌখিবা নোংয়াইমতুং পুং ১২.১৫ রোম তাবদা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী ককচীং কম্মান্দো য়ুনিটকী টিম অমনা শুগ্গু কৈথেলগী খোংনাং মখোঙ এরিয়াদা লন্দীদা অচৎ অওকশিং চেক তৌখি। মতম অদুদা চাকা অনী পানবা গাড়ী (এম এন ০১এ এফ ৭০৫৪) অমদা তোংদুনা লাকপা মীওই অনী খামদুনা চেক তৌবদা কানিগা কোন্ননা ফাখি।

কম্মান্দোনা ফারবা মীওই অনী অদুদি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোংলেনফাই খুলদগী চিনৈহৎ হাওকিপ (২২) অপোকপা থোংলান হাওকিপ অমদি খুন অসিমক্তগী সোনমিনথাং (২৩) অপোকপা থোংলান হাওকিপনি। মখোয়দগী কানি কেজি ৫, টু হ্বিলর অমা য়াওনা ফারে। ফারবা মীওই অদু মখা তানা ৰাহং পাউহং চথনবা অমদি লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা শুগ্গু পুলিস ষ্টেসন্দা খৃৎশিন্নখ্রে হায়রি।

মণিপুরগী এম পি, এম এল এশিংগী মথক্তা...

লামায় ১গী মখা... ৰাফমশিংগী মনুংদা কেস অসিগী এমিকস ক্যুরি বিজয় হন্সারিয়া, সিনিয়র কাউন্সেলনা এপেক্স কোর্ট অসিদা মমাঙ থাগী ৮দা সবমিট তৌরকখিবা রিপোর্টকী সপ্লিমেন্টরি রিপোর্টনা ফোঙদোরকই হায়বদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা এক্স/সিটিং এম এল এ/এম পিশিং চেন্নবা প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট, ১৯৮৮গী মখাদা কেস ১৭৫, প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্ট, ২০০২গী মখাদা কেস ১৪ পেন্দিং লৈরি হায়রি। হায়রিবা ৰাফম অসি সুপ্রিম কোর্টতা চথরিবা কেস অসিগা মরী লৈননা লৈবাকসিগী তোঙান তোঙানবা হায়কোর্ট ১০না পীখৎলকখিবা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্ননি হায়রি। অদুবু পন্দুনা লৈরিবা কেসশিং অসি এমিকস ক্যুরি অসিনা মমাঙ থাগী ৮দা পীরকপা রিপোর্টতা এক্স/সিটিং এম এল এ/এম পিশিংগী মথক্তা ক্রিমিনেল কেস ৪৪৪২ পেন্দিং লৈরি হায়রকখিবগী মথক্তনি হায়রি।

মরমশিং অসিনা করিগুম্বা ষ্টেটশিংংগী হায়কোর্ট নৎত্রগা মসিগী সবোর্দিনেট কোর্টশিংদা পেন্দিং লৈরিবা কেসশিং অসি য়াওনা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্স্যুএল ওফেন্স (পোক্সো) অমসুং সেদ্যুল্ড কাষ্ট এন্দ সেদ্যুল্ড ত্রাইবস (প্রিভেন্সন ওফ এত্রোসিটিজ) এক্ট, ১৯৮৯ নচিংবশিংগা মরী লৈনবা কেস কয়াম পেন্দিং লৈরিবগে হায়বদু ত্রায়ল অমদি ইনভেষ্টিগেসন ষ্টেজ অনীমক্কী ওইনা মোনিটর তৌগদবনি হায়বসিনি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা সুপ্রিম কোর্টকী রুল্লিং অসিগী মতুংইন্না কর্নাটকা য়াওনা ষ্টেট খরগী হায়কোর্টশিংনসু চপ মান্নবা কেসশিং রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎনখ্রে। মসিগা ইরোইননা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনসু কেস অসি ঙরাং শু-মোটুদা পি আই এলল ওইনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপনি হায়রি। লোয়ননা ঙরাং লৌখৎখিবা কেস অসি খন্নবগীদমক হয়েং হায়কোর্টকী চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস বিমোল অনীগী দিভিজন বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ১দা লিষ্ট তৌখ্রে।

পনবা য়াবদি এক্স/সিটিং এম এল এ/এম পিশিংগী মথক্তা লৈরিবা পেন্দিং কেসশিং অথুবা মতমদা অচুম্বা ৱায়েলগী অরোইবা ওর্দর ফংহন্নবগীদমক স্পেসল কোর্টশিং করম্বা মফমদা কয়াম লিংখৎলগদি য়াগদগে হায়বগী মতাংদসু লৈবাকসিগী হায়কোর্টশিংদগী এক্সন-প্লান রিপোর্টশিং কৌবদগী হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগীসু পীখৎখ্রে হায়রি।

থবক শুবা-নোংম্বা অমদি ব্যুজিনেস তৌবা য়ারক্লবনিনা লোন শিংগৎপীবগা লোয়ননা মখা তানা...

লামায় ১গী মখা... ফাইনান্স কম্পনি লিমিটেদকী ওইনসু লোন রিকোভরি হৌরগে হায়না খল্লি। মসিদা মীয়াম্নসু হাউসিং ফাইনান্স কম্পনি অসিবু নুংশিবিদুনা পুম্নমক হীংমিন্নবা ঙম্নবগীদমক মীয়াম্না লৌবিখিবা লোনশিংগী শেনফম শীংগৎপীবা হৌবিরো। লোয়ননা মখা তানা মথৌ তাগদবা শেনফমশিং লৌথনবসু হোৎনবিয়ু হায়না মহাক্লা ফোঙদোরকখি।

পান্থোইবি হাউসিং ফাইনান্স কম্পনি লিমিটেদ অসি কুমজা ২০০৫কী সেপ্টেম্বর ৭তগী থবক হৌদুনা লাকখিবনি। ফাইনান্স কম্পনি লিমিটেদ অসি কুমজা ২০০৬কী জন্যুৱারী ১৯দা কম্পনিজ এক্ট ১৯৫৬কী মনুং চন্না মিনিষ্ট্রি ওফ কোরপরেট এফ্যেরস গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা রেজিষ্টার তৌখি। লোয়ননা রিজর্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী নেসনল হাওসিং বেঙ্ক (এন ঐচ বি)গী মমল য়াম্লবা লাইসেন্স মণিপুর খক নত্তনা নোর্থ ইষ্ট পূর্ব্বগী ইন্দিয়াগী অহানবা ওইনা পব্লিক লিমিটেদ হাওসিং ফাইনান্স কম্পনি অমা ওইনা ইস্যু তৌরকখি। কুমজা ২০০৯গী নবেম্বর ২দসু মিনিষ্ট্রি ওফ কোরপোরেট এফ্যেরস গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা ব্যুজিনেস ওপরেসন হৌনবগীদমক সর্টিফিকেট ওফ কম্মেন্সমেন্ট (সী ও সী) ইস্যু তৌরকখি। লোয়ননা ২০১৫গী জুন ১৫দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবা প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা ক্রেদিট লিঙ্ক সবসিদি স্কিম হাউসিং ফোর ওল ২০২২ মিসনগী মখাদা ই দব্লিয়ু এস, এল আই জি, এম আই জি-১ অমদি এম আই জি-২ অমসুং রুরেলগী মীওইশিংদা লুপা লাখ ২.৬৭ ফাওবগী সবসিদি এমাওন্ট অমা য়াওহন্দুনা মীয়ামদা অরাইবা মওংদা সবসিদাইজ হোম লোন অমসুং পান্থোইবি হাউসিং ফাইনান্স কম্পনি লিমিটেদ অনীগী মরক্তা এম ও য়ু অহুন্নক সাইন তৌনখি। হায়রিবা সবসিদাইজ হোম লোন অসি লেপ্পা লৈতনা মীয়ামদা ফংহন্দুনা লাকচরি। লোয়ননা কুমজা ২০১৫গী দিসেম্বর ১৮দা মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্স দিপার্টমেন্ট ওফ ফাইনান্সিয়ল সর্ভিসেস, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা সেক্যুরিটাইজেসন এন্দ রিকন্সট্রকসন ওফ ফাইনান্সিয়ল ইন্সটিট্যুসন অমা ওইনা শক খঙবিরকখি। মখা তানা অমুক্তা হেন্না নুংঙাইজবদি দিপার্টমেন্ট ওফ ইনকম টেক্স (আই টি)নসু সর্টিফিকেট ওফ এপ্রিসিয়সন (সী ও এ) ইস্যু তৌবিরকখি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, পান্থোইবি হাউসিং ফাইনান্স কম্পনি লিমিটেদতা সবসিদাইজ হোম লোনগা লোয়ননা সবসিদি য়াওনা লুপা লাখ ২.৬৭, রিগ্যুলর হোম লোন, নন-হাউসিং লোন, লোন অগেনষ্ট প্রোপরটি অমদি ইনভেষ্টমেন্টগী ওইনা ইক্যুটি শ্যেরস, দিবেনচরস অমদি বোন্দস, পান্থোইবি কন্সট্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদ (পি সী পি এল)গী খুদোংচাবশিং: রিয়ল ইষ্টেদ রেসিদেনসিয়ল প্রোজেক্ট (ফ্লেটস, ভিল্লাস, রো হাউস) অসিনচিংবনি। পান্থোইবি নিধি লিমিটেদ (পি এন এল) লোন ফেসিলিটিজ : লোন অগেনষ্ট ফিক্স দিপোজিট, লোন অগেনষ্ট প্রোপরটি (এল এ পি), গোল্ড লোননচিংবনি। ইনভেষ্টমেন্ট ফেসিলিটিজ : শ্যের ইক্যুটি, ফিক্স দিপোজিট, রিকরিং দিপোজিৎ, মন্থলি ইনকম দিপোজিৎনচিংবনি। পান্থোইবি মাইক্রোফিন : ফেসিলিটিজ : এক্টিভিটিজ ওফ মাইক্রোফাইনান্স লোন; পান্থোইবি ফাইনান্স কম্পনি লিমিটেদ (পি এফ সী এল) ফেসিলিটিজ : হেবি ভেহিকল লোনশিং হায়বদি ট্রেক্টর, ট্রক অমদি বসনচিংবগী লৌবগী খুদোংচাবসু লৈগনি। লোয়ননা পান্থোইবি ফাওন্দেসনগী মখাদা কোরপোরেট সোসিয়ল রেসপোনসিবিলিটি (সী এস আর)গী এক্টিভিটিজসু লৈগনি হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, পান্থোইবিগী ম্যেন ওবজেক্ট অসি 'ঐখোয় পুম্নমক সেমি পকাগী নৎত্রগা পকাগী ওইবা তরু-তনানবা তরং-তরংবা য়াম্না ইংনা চিক্লা নুংঙাইনা লৈবা য়াবা য়ূম অমমম লৈনবা হোৎনবা অদুগা ঐখোয় খুদিংমক অমগা-অমগা সপোর্ট পীনরগা অঙম-অঙম্বা মতেং পাংনরগা শেল থুমগী অৱাৎপা লৈহনদনবা হোৎনবা ঐখোয় পুম্নমক ফাইনান্সিয়ল সাওন্দ ওইনা নুংঙাই-য়াইফনা হিংবগী মহাও য়াওবা পুন্সি অমমম ওইনা ক্বালিটি ওফ লাইফ ফংমিন্নদুনা হিংনবগী ৱাহন্থোক লৈনা পুক্লিং ৱাখল মকা লাম্না হিংমিন্নবা' হায়বা পান্দম অসিনি হায়খি।

কোভিদ-১৯ অসি অহুমসুবা মালেমগী লান (থর্দ ৱর্ল্ড ৱার)নি হায়নরিবা অসি অচুম্বনি হায়না খল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা ঙসিদি ঐখোয় তঙাইফদনা সেল্ফ রিলাইন্ট মথৌ তারে। য়ারিবমখৈ মীপাল তাংদনা হিংনবা হোৎনমিন্নসি। হীরম খুদিংমক্তা দিভলপমেন্ট পুরক্লবা হোৎনবদা শেল তঙাইফদনা চঙই। বেঙ্ক মশিং শুনা লৈরবসু ঙসিসু মীওই চাদা ৯৯দি বেঙ্ককী কান্নবা ফংবা ঙমদে। বেঙ্কশিংগী সেন্ট্রেল ওফিসশিংনা মীয়ামদা থাজবা থম্বা ৱাৎপা মাল্লি। মরম অদুনা মীয়ামদা লোননচিংবা ফাইনান্সিয়েল এসিষ্টেন্সশিং পীনিংদে। অদুবু দিপোজিটতি খোম্নবা হোৎনৈ। মদুনা ষ্টেট অসিগী শেল মপান লমদা লোয়নমক পুখি। মসিগী ময়েক শেংলবা খুদম হায়রগদি ক্রেদিট দিপোজিট রেসিও (সী দি আর) অসি শুপ্পতংগী চাদা ২০/৩০ খক্তনি। হায়বদি ক্রোর ১০০ দিপোজিৎ লাকপা মতমদা বেঙ্কশিংনা শুপ্পগী লুপা ক্রোর ২০দগী ৩০ খকতমক ইরমদম অসিগী মীয়ামদা পীরমগনি। অতৈ অয়াম্বা শরুক হায়বদি লুপা ক্রোর ৭০/৮০দি মপান লমদা চৎখ্রগনি। অদুগা অচৌ-অচৌবা শেনফমশিং অসি ভিজয় মালিয়া অমদি নিরব মোদিগুম্বা মীওইশিংদা ক্রোর লিশিং-লিশিং পীশিন্দুনা মাংখিগনি। লমদম অসিদনা চেকশিল্লিবনি অমদি ক্যের লৌরিবনি হায়দুনা খুদোংচাবা পীদে। সী দি আরগী চাদা ২০/৩০ খক লোন পীরিবা অদুসু বেঙ্কশিংনা মখোয়-মখোয়গী বেঙ্কশিংদা একাউন্ট হাংবা সেলেরি চঙবা অদুগুম্বা মীওইশিং খক্তদা পীরি। হায়রিবা ক্রেদিট দিপোজিট রেসিও (সী দি আর) অসিমক গুজরাটতদি ১৭০দগীনা ১৮০ ফাওবগী পর্সনটেজ মখোয়গী মীয়ামদা বেঙ্কশিংনা লোন পীথোকই। মরম অসিনা ঙসি গুজরাট অসি চাওখৎপা ষ্টেট অমা ওইবা ঙল্লিবনি হায়খি।

লোয়ননা মহাক্লা হায়, ইরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লমদম অমা হায়বদু ওইনবা হোৎনমিন্নসি। মীখা পোন্না লৈগদবা নত্তে। হীরম খুদিংমক্তা হেন্না চাওখৎপা অমদি অহোংবা পুরক্তুনা অৱাৎ-অপা লৈতনা ইংনা-চিক্লা নুংঙাই-য়াইফনা, তংদু-লৈতানা পানবা ঙম্নবগীদমক ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অমনা-অমবু থাজবা থম্নবা য়াম্নমক মথৌ তাই। লোয়ননা পান্থোইবি হাউসিং ফাইনান্স কম্পনি লিমিটেদনা শাংলবা চহী ১৫ মপুং ফানা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ঙমজরিবা অসি লৈবাক মীয়াম্না নুংশিবিবা অমদি থাজবিবদগী তৌবা ঙমজরিবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

HL/B/6425/1 to 29 Oct. alt.

Every pregnant women should get tested for HIV during the first 3 months of pregnancy to prevent HIV transmission to their child.
HIV test is available free of cost at Integrated Counseling & Testing Centre (ICTC) at all govt health facility & nursing homes.
For more information call AIDS helpline no
1097
MACS
NACO